# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 05-04-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- রাজ্য অসিদা কাংলুপ পুমমকা পুন্না ফম্মিন্নদুনা শান্তিগী ৱারী শান্নখিবা অহানবা জিলা জিরিবামনা ওইরে।

২) মালেমগী অতৈ মফমশিংগা লোয়ননা মণিপুরদসু ঙসি ইষ্টর সনডেগী থৌরম ধর্ম্মগী ওইবা থৌরমগা লোয়ননা হরাউ তয়ামা পাঙথোক্লি।

অমসুং

৩) প্রধান মন্ত্রি অমসুং বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি নোংচুপ বেঙ্গলাগী কুচবিহারদা চত্তুনা মীখলগী ভোৎ খোমগনি।

------

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- রাজ্য অসিদা চহি অহুম তংদু লৈতাদবা ফিভমদা লৈরক্লবা তুংদা শান্তি হঞ্জিনহন্নবগীদমক কাংলুপ পুমমকা পুন্না ফম্মিন্নদুনা ৱারী শান্নখিবা অহানবা জিলা ওইনা জিরিবামনা ইতিহাস অমা শেম্লে।

জিরিবাম জিলাগী বিদ্যানগরদা লৈবা নিউ আলিপুর রোংমৈ নাগা খুলদা ঙরাং কাংলুপ কয়ানা ৱারী ৱাতাই শান্নবগী থৌরমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- মহাক্কী সরকারনা থা অনি মপুং ফারকপগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা কাংলুপশিংনা পুন্না ফম্মিন্নদুনা ৱারী শান্ননবা য়ারকপদগী মহাকা অনিরক শুবা ওইনা জিরিবামদা চৎপনি। মহাকা হায়- জিরিবামগী মীয়াম অসি রাজ্য অসিগী মনুংদা খ্বাইদগী পুকচেল চাউবা কাংবুনি।

থৌরম অদুদা শ্রী খেমচান্দনা তোঙান তোঙানবা কাংলুপ মৈতৈ, কুকি, পাইতে অমসুং মার ত্রাইবকী আই.দি.পিশিংগসু ৱারী শান্নখি। মহাকা মীয়ামগী খুদোংচাদবা কয়াসু তাখি। আই.দি.পিশিং অদুদা শ্রী খেমচান্দনা হায়- মহাক্কী খোঙচৎ অসি মীয়াম মরক্তা থাজনদবা কয়া লৈরিবা অদু কোকহন্নবনি।

কুকি খুলগী লুচিংবা অমনা মুখ্য মন্ত্রিদা মহাক্কী সরকারবু থাজে অদুনা মহাক ময়ুমদা হন্নবা শেম শারে হায়নসু ফোংদোকখি। জিরিবামদা লৈরিবা মৈতৈ কাংবু অয়াম্বদি পুকচেল চাউই হায়নসু মহাকা হায়রি।

পাইতেগী খুঞ্জা অমনা শান্তি হঞ্জিনহন্নবা থৌরাং মখা তানা পায়খৎহন্নিংবগী অপাম্বা ফোংদোক্লদুনা হায়- জিরিবামগী মৈতৈগী লুচিংবা কয়ানসু শান্তি হঞ্জিনহন্নবা থৌরাংদা পাংলি। শ্রী খেমচান্দনা মহাক্কী সরকারনা আই.দি.পিশিংদা পীবা য়াবা মতেং পীনবা হোৎনরি। মহাকা হায়- মীপুম খুদিংমক ময়ুমদা হনবা পাম্মী অমসুং সরকার অসিনা অনৌবা য়ুমশিং শাদুনা আই.দি.পিশিংদা মতেং পাংলি।

মুখ্য মন্ত্রিনা ঙরাং নিংশিং খুলদা লৈবা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদসু চত্তুনা য়েংশিনখি। হকশেলগী লমদা হেন্না ফগৎহন্নবা লম অসিদা থবক তৌরিবা মীওইশিংগী অরোন অথুপ অমদি মীচং মীখায় নাইদবা ত্রান্সফর পোলিসি অমা শেম্বগী তঙাইফদবসু মহাকা ফোংদোকখি।

শ্রী খেমচান্দনা ঙসি চন্দ্রপুরদা ইন্টর ষ্টেট ত্রক টার্মিনস য়াওনা চাউখৎ থৌরাংগী অতৈ প্রোজেক্ট কয়াসু যাত্রা হুনগনি। মদুগী তুংদা, শ্রী খেমচান্দ অসামগী কছার জিলাগী মনুং চনবা উধারন বিধান সভা কেন্দ্রগী রোংপুর অমসুং হৈলাকান্দি বিধান সভা কেন্দ্রগী জারিবোনদা পাঙথোকপা মীখলগী মীতিনশিংদা ৱা ঙাংগনি।

মুখ্য মন্ত্রিগী খোঙচৎ অসিদা বি.জে.পিগী এম.এল.এ- ৯ অমসুং ষ্টেট বি.জে.পি প্রসিদেন্ট এ. সরদা দেবীসু লোয়নরি।

মেসেজ (এল)ঃ মালেমগী অতৈ মফমশিংগা লোয়ননা মণিপুরদসু ঙসি ইষ্টর সনডেগী থৌরম ধর্ম্মগা ওইবা থৌরমগা লোয়ননা হরাউ তয়ামা পাঙথোক্লি।

প্রভু যিশুবু ক্রোসতা পাং তিংদুনা হাৎলবা তুংদা ঙসিগী নুমিৎ অসিদা মহাক অমুক হিংগৎলকখিবনি। অয়ুক অঙনবদগী চর্চশিংদা প্রভু যিশু খৃষ্টকী লাইশোল থৌরম পাঙথোকরি। নোনে জিলাদসু চর্চশিংদা লাইশোল থৌরমশিং পাঙথোক্লি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ সিংহ অমসুং অতৈ লুচিংবা কয়ানা মীয়ামদা মরুওইনা খৃষ্টানশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরি।

মহাক্কী পাউজেলদা শ্রী খেমচান্দনা হায়- ইষ্টর সনডেনা ঐখোয়দা নুংশি চান্নবা, ঙাকপীবা, মীওইবগী মীনুংশিগী মরুওইবদু নীংশিংহল্লি। নুমিৎ অসিনা শান্তি, নুংশি চান্নবা অমসুং মচিন মনাউগী ওইবগী মরী হেন্না চেৎশিনহন্দুনা হেন্না চাউখৎপা খুনাই অমা ওইহন্নবা পুন্না হোৎনমিন্নবগী থৌনা লিংজেল পীবা ওইরসনু হায়নসু শ্রী খেমচান্দনা মহাক্কী পাউজেলদা হায়রি।

উপ-মুখ্য মন্ত্রি নেমচা কিপগেননা মহাক্কী পাউজেলদা হায়- ইষ্টর সনডেনা শান্তি, থম্মোয় খুদিংদা শান্তি পুরক্কুনা পুন্সিদা আশা কয়াগা লোয়ননা খুদোংথিবা কয়া মায়োকননবগী শক্তি পীবা ওইরসনু।

মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তা সিংহনসু ইষ্টর সনডেগী য়াইফ পাউজেল পীরি।

সেক্যুরিতি (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী চিংনবা মফম কয়াদা থি হুন্বা অমদি এরিয়া দোমিনেসন চথদুনা খুৎশু খুৎলায় কয়া লেপ্পনা ফাগৎলি।

রাজ্য পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমনা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সনা হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা তেংনৌপল জিলাগী য়াঙৌবুং খুলদগী মেগজিন য়াওবা এ.কে. ফোরতিসভেন রাইফল অমা, নাইন এম.এম পিষ্টোল অনি, আই.ই.দি ১৬, দিতোনেতর মরি, ম্যান্মারগী শেল য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎলে।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং ইম্ফালগী শগোলবন্দ থিংঙোম লৈকাইদগী কে.সি.পি (এম.এফ.এল)গী মীওই অমা ফারে। ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী কে.সি.পি (পি.দব্লিউ.জি)গী মীওই অহুমসু ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি অমসুং বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি নোংচুপ বেঙ্গলাগী কুচবিহারদা চত্তুনা মীখলগী ভোৎ খোমগনি। মহাকা কুচবিহার মেলা গ্রাউন্দদা বি.জে.পিগী মীরেপশিংগীদমক ভোৎ খোমগনি। মহাকা কুচবিহার জিলাগী বিধান সভা কেন্দ্র ৮ অমসুং আলিপুর দ্বার জিলাগী বিধান সভা কেন্দ্র ৫ গী মীখলগী ভোৎ খোমগনি।

প্রধান মন্ত্রিগী রেল্লি অসিগী মাংওইননা ষ্টেট বি.জে.পি প্রসিদেন্ট অমসুং রাজ্য সভাগী এম.পি. সমিক ভত্তাচারিয়ানা কুচবিহারগী মীয়ামদা প্রধান মন্ত্রিগী মীতিন অদু মায় পাকহন্নবগীদমক শরুক য়ানবা হায়রি।

মরক অসিদা, বি.জে.পিনা নোংচুপ বঙ্গলা বিধান সভা মীখলগীদমক মীরেপ মঙাগী মিং য়াওবা মঙাসুবা লিষ্ট থোকখ্রে।

কেরলা ঃ কেরলা বিধান সভা মীখলগী ভোৎ খোম্নবগী থবকসু খম থেংনা কল্লে। বিধান সভা কেন্দ্র ১৪০ মক্কী মীরেপশিংনা মখোয়না ঙমজবা থাক্তা ভোতরশিংগী পুকিং চিংশিন্নবা হোৎনরি। দল কয়াগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংনসু মখোয় মখোয়গী মীরেপশিংগীদমক ভোৎ কন্না খোমরি। বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমসুং গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহ ঙসি দেপুরদা পাঙথোকপা রোড সো অমদা শরুক য়াগনি। কতক্কারাদা পাঙথোকপা মীয়ামগী রেল্লি অমদসু মহাকা ৱা ঙাংগনি।

কংগ্রেস প্রসিদেন্ট মালিক আজ্ন খরগেসু পেরুমেদু অমসুং কতক্কারদা পাঙথোকপা ভোৎ খোমগী থৌরমশিংদা শরুক য়াগনি।

ঙা ফাবা ঃ গল্ফ লৈবাকশিংদা থোক্লিবা উংখৎনবগী ফিভম অসিনা মরম ওইদুনা ইরানদা পনদুনা লৈরকপা ভারতমচা ঙা ফাবা মীওই ৩৪৫ ঙরাং চেন্নাইদা অশোই অঙাম য়াওদনা থুংখ্রে। মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী মতুংইন্না ভারতনা উংখৎনরিবা মফম অদুদগী ভারতমচাশিং অশোই অঙাম য়াওদনা পুথোরকবা হোৎনরিবা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা খোঙথাং অদু পায়খৎলকপনি।

ভারতমচাশিংবু লৈবাক অসিদা অশোইই অঙাম য়াওদনা পুরকপদা মতেং পাংবীবগীদমক মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করনা লৈবাকশিং অদুগী লুচিংবা কয়াবুসু থাগৎপা ফোংদোক্লি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

সি.এমনা লুচিংবা এম.এল.এশিং কাংফাল লম্বীদা জিরিবাম য়ৌখ্রে, ঙসি বরাক ভেল্লিদা চৎলগা হয়েং হল্লক্কনি। ইরাং মতুংদা ফুরুপশিং অহানবা ওইনা পুন্না ফম্মিন্নদুনা পুৱারী শেমখ্রে হায়না শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা কলমদা ফোংলি।

চহি ২০ লোমগী মতুংদা লৈখা লম্বীদা জিরিবাম চৎপা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর খেমচান্দনা ওইরে। দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালগী ফিভম য়েংশিনখ্রে, মৈতৈ অমসুং ক্‌কি য়াওনা ফুরুপ অপুনবগী মীফম পাঙথোকখ্রে হায়না সনালৈবাক পাউচেদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। থৱায় খুলদা সেক্যুরিতি ফোর্স চংবদা অথিংবা থমখ্রে, উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী জি. সোংমুনদা নোংমৈ কাপথরকখ্রে হায়না পাউচে অসিগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

অন্দমানদা মহারাজ কুলাচন্দ্রগী মেমোরিয়েল পার্ক শানবা খন্নখ্রে হায়বা পাউ অমা পোকফমদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মণিপুর ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন্না শিন্দুনা ড্রগকী মায়োক্তা মোটোর সাইকল রেল্লি পাঙথোকখ্রে হায়না শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

লাঞ্জেল্লক্কুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরবসু মণিপুর য়ুনিভর্সিতিদা মাষ্টর তল্লিবী মেলোদি হাওবমনা লৈ য়োনদুনা ইমুংগী মতেং পাংনবা হোৎনরি হায়বা পাউ অমা হুইয়েন লানপাউগী এনকর কলমদা ফোংলি।

ষ্টেট অসিদা নোরমেলি লাক্ত্রিবা ফাওবা অমদি আই.দি.পিশিং মশাগী ময়ুমদা হঞ্জিল্লক্ত্রিবা ফাওবা সেন্সস তৌবগী মতম য়ৈথোকপীয়ু হায়বা ওক্রম ইবোবীগী ৱাফমনা নহারোলগী থৌদাংগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। মণিপুরগী

য়ুনিভর্সিতিদা বোম পোকখায়খ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মণিপুর ফিলম কঞ্জার্ভেতর অমা ইটলিগী এফ.আই.এ.এফ সম্মর স্কুলদা শরুক য়ানবা খল্লক্লে হায়বা পাউ অমা মণিপুর মেলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

য়ুনাইতেদ নাগা কাউন্সিলনা মণিপুর মীতোপ চংশিল্লকপা য়েংশিন্নবা প্রাইম মিনিষ্টরদা তকশিনখিবা অমসুং ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্না রাজ্য অসিদা আইন কায়না চংশিল্লক্লিবা মীতোপশিং খন্দোক্ত্রবদি খোঙজং চংশিল্লগনি হায়বা পাউশিংনা পিপলস ক্রোনিকলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

------